নেটৱার্ক ওফ ইকনমি এন্দ ৱেলফেয়র সর্ভিস অমদি পি কে কে এলনা শীন্দুনা কুম্বী লাই অচৌবা মান্দপতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা নেসনল এৱার্দী খাঙেম্বম লিলাচন্দ্রনা ইবা *জপানগী লৌশিংশিং* হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখিবা

BOOK RELEASE CEREMONY

এম এল এ য়ুমখাম ইরাবতনা ৱাংখৈ এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ৱার্দ নম্বর ২৩গী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮গী নুপী ওইবীশিংবু নিঙোল চাক্লৌবগী থৌরম

লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা ককচিং এ সীদা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ক্ষেত্রিময়ুম কেন্নেদি ষ্টিয়ারিং কম্মিটিনা শীন্দুনা কেন্নেদিবু মীখলদা মায় পাকহন্ননবা পাঙথোকখিবা মীফম

INTERACTION PROGRAMME
ORGANISED BY : STEERING COMMITTEE

পাঙল পোলিটিকেল ফোরমনা শীন্দুনা ৪৯শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি দে থৌরমগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা এক্স-সী এম মহম্মদ আলিমুদ্দিনগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীনবা দুৱা তৌখিবা

Memorial Function

ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, এম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা এম টি ঈ অপ্পারেল য়াইস্কুলনা শীন্দুনা রিদি মেদ গার্মেন্টসকী মতাংদা থা ৩ চথুগদবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ স্কিল দিভেলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং ৱাইরি কোঙ্গৈই পরেংদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ রামেশ্বর, এম এল এগী লোয়নবী ময়াংলম্বম ওংবী নুংশি, বি জে পি ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শ্যামজাই অমদি বি জে পি ককচিং মন্দলগী থৌমীশিংনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এম এল এ রামেশ্বরনা হায়খি, ট্রেনিং অসি বি জে পিনা লৈবাক অসিদা লৈঙাক পায়রকপা মতমদা থবক ফংদ্রিবা মীয়ামদা থবক পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপগী মনুং চন্না পায়খৎকনি। মমাঙদা অসিগুম্বা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহন্নবা ট্রেনিং কয়া পায়খৎলবসু ট্রেনিশিংনা ঙাইহাক্কী খুদোংচাবা খক্কী খনবা অমদি প্রোগ্রাম অসিবু শীল্লিবশিংনা তোয়না য়েংশিন্দবনা প্রোগ্রামশিং অসিগী পান্দম অদু লোয়নমক ফংবা ঙমদবনি। মরম অসিনা মীয়াম্না ট্রেনিং অসিগী কান্নবা চপ চানা লৌবীয়ু। মরুওইনা ট্রেনিং অসিবু য়াওরিবা ককচিং ৱাইরিগী নুপীশিংনা ট্রেনিং অসি য়াওরবা মতুংদা শেন্থোক লম্বী লৈহন্দুনা ইমুং-মনুংগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা ঙম্নবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা ঙসি হৌদোক্লিবা ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ারিবশিংনা ট্রেনিং অসি চাং নাইনা য়াওবীদুনা ট্রেনিং অসিনা পীরিবা কান্নবশিং মপুং ফানা লৌবীয়ু হায়খি।

য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

ঙরাং অয়ুক পুং ৪.১৫ রোম তাবা মতমদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কাইরং মুস্লিম ময়াই লৈকায়দা লৈবা এম দি টেলেনগী য়ুমগী দুকান মমাঙদা শকখঙদবশিংনা বোম অমা পোকখায়হল্লম্বা অমদি য়ুল্লক্তা মীয়াম্বু অকি-অখঙ নংহল্লম্ববু ৭৮৬ স্পোর্টিং ক্লব অমদি কাইরং মুস্লিমগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা লৈকায় অসিগী মীয়াম্বু অকি-অখঙ পোকহনবগী থৌদোক অসি মতুং অমুক হন্না থোকহনবীদনবা ৭৮৬ স্পোর্টিং ক্লব কাইরংগী প্রসিদেন্ট হাকানি শাহনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

অজাদি কা অমৃত মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টকী মখাদা ট্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা ইম্ফাল আর্ট কোলেজগা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা পোট্রারি অমসুং ক্লে মোদেলিংগী স্কিল অপগ্রেদেসন/কেপাসিটি বিল্ডিংগী মতাংদা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা চথুগদবা ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ ট্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা ঙসি হৌদোকখ্রে।

ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি লেটখোগিন হাওকিপ অমসুং ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী এদিসনল সেক্রেটরি কেঙু জুরিংলাসু শরুক য়াখি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

পব্লিক ঠিএটর আর্টিষ্ট এসোসিএসন, ফোইজিং, নম্বোলগী মেম্বর ওইবতা নত্তনা ম্যুজিক দিরেক্টর ওইবীরম্বা য়ুম্নাম নিল্লো ফোইজিং চীংনিংদা লৈবনা হৌখিবা নবেম্বর ১৫ নিংথৌকাবা নুমীৎতা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বর অমসুং আর্টিষ্টশিংনা মিনিট অমা তুমীন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা মেম্বর, ম্যুজিক দিরেক্টরগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু লেপ্পখি হায়না পব্লিক ঠিএটর আর্টিষ্ট এসোসিএসন ফোইজিং, নম্বোলগী জেনরেল সেক্রেটরি তেকচম ইবোচৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পোলিটিক্সপু ফাগীনি খনবা মীরেপশিংদগী চেকশিনবীয়ু : ইরাবত

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

পোলিটিক্সতা হেক চঙলকপগা ঙাইহরিঙৈদা পোলিটিক্সপু ফাগীনি খনবা ৱাংখৈ এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইগনি হায়না থোরক্লিবশিংদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু হায়না ৱাংখৈ এসীগী এম এল এ য়ুমখাম ইরাবতনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি এম এল এ য়ুমখাম ইরাবতনা ৱাংখৈ এ সীগী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংদা লৈবা নিঙোলশিংবু মথং-মথং চাক্লৌবগী থৌরম পাঙথোকপগী মখা তারকপা ওইনা এ সী অসিগী ৱার্দ নম্বর ২৩গী মনুংদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮গী নিঙোলশিংবু চাক্লৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এম এল এ য়ুমখাম ইরাবতনা মখা তানা হায়খি, ৱাংখৈ এ সীদা পোলিটিক্সপু ফাগীনি খনবা মানবা মওংদা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোনদা থবক তৌবা মীরেপ কয়া থোরকপা অসি লাইবক থীবনি। এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা স্কিম কয়াগী কান্নবশিং মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্ননবা এম এল এ অমা ওইনা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি। মতম পুম্নমক্তা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং এ সী অসিগী মীয়ামগা তান্নরগা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মখা তানসু মীয়ামগা তান্নদুনা পাঙথোকখিগনি।

মীয়াম্না অনা-লায়েংগী লমদা খুদোংচানবগীদমক লৈঙাক্লা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা ৱাংখৈ এ সীগী ৱার্দ নম্বর ২১, ২২, ২৩ অমসুং ২৬কী এরিয়াদা লৈবা হকশেলগী কার্দ ফংদ্রিবা মীওই ১৬৯ রোমগীসু হকশেলগী কার্দ শেন্বা লোইরে। অথুবা মতমদা বেনিফিসরিশিংদা হকশেলগী কার্দ অসি য়েন্থোক্লগনি। এ সী অসিদা মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা খরনা হকশেলগী কার্দকী মতাংদা মীয়ামদা ওইদ-পাদবা কয়া হায়জিন্দুনা থোক-থাককী পোলিটিক্স তৌরকপগী থৌওং অসি তশেংনা লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং চথরিবা মীওইশিং অসিদগী মীয়াম্নসু চেকশিনবীয়ু।

ৱাংখৈ এ সীগী মনুংদা লৈবা নেসনল অমসুং ষ্টেটকী ওল্ড এজ পেন্সন ফংদ্রিবা পেন্সন ফংবা য়ারবা অহল ওইরবা কয়াদা পেন্সন ফংহন্ননবা অমদি মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিংদা ৱিদো পেন্সন স্কিম ফংহন্ননবা হোৎনরি। মসিদসু নত্তনা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা প্রোজেক্ট কয়াগী কান্নবশিং মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্ননবসু লৌখৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎলি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এন নিম্বস, জেনরেল সেক্রেটরি পি প্রেমানন্দ মৈতৈ অমদি বি জে পি ৱাংখৈ মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি এন রমনিসু শরুক য়াখি।

‘নহাশিংবু অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্লবা মতমদদা চাউখৎহনবা ঙমগদৌরিবনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

শীংজমৈ এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ওইনাম রোমেনগী ইলেক্সন কেম্পেয়ন মখা তানা কনখৎহন্ননবগী পান্দমদা ঙসিসু কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শীংজমৈ মথক থোকচোম লৈকায়দা বুথ কম্মিটিগী ওফিস অমা হাংদোকখ্রে।

বুথ কম্মিটিগী ওফিস অদু হাংদোক্লদুনা ওইনাম রোমেননা হায়খি, নহাশিংবু অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্লবা মতমদদা খুন্নাই অমা চাউখৎহনবা ঙমগদৌরিবনি। নহা ওইরিবশিংবু লান্না লমজিংবা হায়বসি খুন্নাই অমবু লান্না লমজিংবনি। লান্না লমজিংলিবশিং অসি মতৌ করম্না অচুম্বা অমসুং অশেংবা লুচিংবনি হায়না লৌগদৌরিবনো।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, শীংজমৈ এ সীদা এন পি পিগী ওইনা বুথ কম্মিটিগী ওফিস কয়া হাংদোক্লিবা অসি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদা লৈরিবা নহাশিং অমদি নুপীশিং য়াওনা ভোটরশিংনা ভোট খোম্বদা হেন্না থৱায় য়াওশিন্নবনি। এ সী অসিদা মীখল থেংনগদৌরিবা অতৈ মীরেপশিংনসু মরম চাদনা অসিগুম্বা ওফিস কয়া হাংদোল্লি। অদুবু ওফিসশিং অদু নহাশিং অমদি নুপীমচাশিংগী হকচাং শোকহন্নিংঙাই ওইবা মওংদা ময়াই কাবা চীঙাক্কী মকোল ওইহনবা থেংনরি। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিনা লমদমসিগী নহাশিং অমদি নুপীমচাশিংবু লান্না লমজিংনবগী মরম অমসু ওইরি। কনাগুম্বনা মখোয়গী কান্নবা খক য়েংলগা নহাশিং অমদি নুপীমচাশিংবু মাঙহন্নবা অসিগুম্বা থবক অসি মখা চথৱীগনু। মহাক্কী ওইনদি এ সী অসিদা অসিগুম্বা ওফিস অসি মশীং য়াম্না হাংদোক্লোই। মফম চাবা য়েংলগা তঙাইফদবা খরখক্তা হাংদোক্কনি। ওফিসশিং অসিদা মরুওইনা থৌ পুরিবশিংনা নহাশিং অমদি নুপীমচাশিংগী তুংগী কান্নগদবা হীরম কয়া খন্নগনি অমসুং মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা য়াইফবা পুরক্লবগীদমক হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নফম ওইগনি।

শীংজমৈ এ সীদা লাইরিক হৈরগা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগী মশীং অসি অদুক্কী মতিক লৈ। লৈঙাক্কী থবক খক্তনা থবক নত্তে। মশানা মরন্নাই হোৎনদুনা মরোমদোম হিংননবা হোৎনবদুনা অশেংবা অমদি তুং কোয়না চৎকদবা থবক অদু ময়েক শেংনা খঙহনগনি। মসিগীদমক নহা ওইরিবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংবু মশানা হৈজবা শীনফমদা পূক্নিং থৌগৎতুনা মরোমদোম লেপচবা ঙমহনগনি। নহাশিংনা মরোমদোম লেপচদুনা শেল-থুমগী মরমদা মীপাল তাঙদবা মতমদা খুন্নাই অসি চাউখৎহনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মায় পাকহন্ননবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা ককচিং এ সীদা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ক্ষেত্রিময়ুম কেন্নেদি ষ্টিয়ারিং কম্মিটিনা শীন্দুনা কেন্নেদিবু মীখলদা মায় পাকহন্ননবা পান্দমদা কোংগ্রেস পার্টিগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটি ককচিংগী প্রসিদেন্ট টি মংলেমনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা বি জে পি অমদি অতোপ্পা পার্টিগী ৱার্কর ওইরম্বা মীওই ৪৫না কেন্নেদিবু শৌগৎলদুনা কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরকপদসু তরাম্না ওকখি।

থৌরমদুদা ক্ষেত্রিময়ুম কেন্নেদিনা হায়খি, ককচিং এ সীদা কোংগ্রেস পার্টিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবশিং অসিদগী পার্টিনা টিকেট পীরকপা মীওইদা পুন্না শৌগৎমিন্নদুনা এ সী অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা বি জে পিবু মায়থীবা পীদুনা কোংগ্রেসকী এম এল এ শোয়দনা পুথোক্কনি। লাক্লিবা মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা টিকেট পীবদগী হৌরগা ভোট হায়দোকপা ফাওবগী ওইনা পুমনৌ নৌবা ষ্ট্রেটেজি অমদা মীখল থেংননবা শেম-শারে হায়খি।

লৌফম মৈ চাকখ্রে, মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

থৌবাল কবো লম্বেল চীংঙা লাইরেম্বী মনাক্কী লৌকোলদা হৌখিবা নবেম্বর ১৮গী নুমীদাংৱাইরমদা থংনবা লৌপু অমনা (হিজম কুমত) মহাক্কী লৌ য়ৈবা লোইরবা মতুং পৈদুনা থম্বা চরুশিং মৈ থাদোক্লম্বদগী লৌফম অদুগা থংননা লৈবা, লৌ য়ৈনবগীদমক খাওদোক্তুনা থল্লবা, লৌফম অনীগী লৌ সঙম অনী মখায়রোম মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

মৈনা চাকখ্রবা লৌফম অদুগী মপুশিং থৌবাল নিঙোম্বমদগী ওক্রম কুমার অমদি থৌবাল নোঙাংখোংদগী অকোইজম ধিরেন অনীনা থৌদোক অদুবু পেন্দবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা লৈঙাক্লা মতেং পাংবীনবা অমসুং অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি য়েংশিনবীনবা পেন্দবা কয়া ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অৱাবা তারবা ওক্রম কুমার অমদি অকোইজম ধিরেনগী ইমুংদা খাঙবোক এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, ও সুর্য্যকুমারনা হকথেংননা চৎতুনা অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখ্রে। এম এল এ সুর্য্যকুমারনা থৌদোক অসি মায়কৈ অসোমদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি। মরম অসিনা লৌ উবীরিবশিংনসু থংনবা লৌফমশিংগীসু খরা খনবীদুনা চরু মৈ থাবা মতমদা চেকশিনবীয়ু অমদি লোকেল ক্লবশিংনসু মীয়ামদা এৱেয়র্নেস পীবীদুনা অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপীল তৌরক্লি।

পুল্লেন পাৎতা সঙাই য়োক্লবা লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি : মিনিষ্টর লুখোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

পুল্লেন পাৎতা সঙাই য়োক্লবা লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি হায়না টুরিজম মিনিষ্টর ও লুখোইনা ফোঙদোরক্লি।

পুল্লেন লেক দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (পি এল দি ও)না চহী খূদিংগী হিয়াঙ্গৈগী পুর্ণিমা নুমীৎ খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা পুল্লেন নুমীৎ চহী অসিগী ওইনা সেভ পুল্লেন সেভ ইনভাইরনমেন্ট হায়বা থীমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোকপচীংদা ঙসি পাঙথোকখিবা ২৬শুবা পুল্লেন নুমীৎ থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা মিনিষ্টর লুখোইনা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক অসিনা এল দি এগী মখাদা থমদুনা পাৎ অসিগী মাঙথরক্লিবা শক্তম কন্নবা হোৎনবা অদু খক্তনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা পুল্লেন পাৎতা লৈঙাক্লা সঙাই থমদৌরে হায়দুনা লান্না শন্দোক্লগা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈঙাক্লা পাৎ অসিদা মখল অমত্তগী শাশিং য়োক্লবা ৱারেপ লৌবা লৈতে। মরম অসিনা অসিগুম্বা অরানবা প্রোপেগন্দাদা য়াম্না থাজবীগনু। লোয়ননা পুল্লেন পাৎ অমদি তোকপচীংদা লৈরিবা মোন্দুম চীং অসিসু মহাক্লা পায়রিবা টুরিজম দিপার্টমেন্টকী মখাদা শেমগৎ শাগৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা, কনাগুম্বা মীওই খরনা পুল্লেন পাৎ অসি আর এম এস এ আর সাইদ ওইনা লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরি। করিগুম্বা হায়রিবা সাইদ অসি লাউথোকপা তারবদি পুল্লেন পাৎ অসি হান্নগী মশক অদুদা শোয়দনা হঞ্জিনবা ঙম্লগনি। লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই খরনা পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিং লৈঙাক্লা তাম্হোক্কদৌরে হায়না লান্না পাউ শন্দোকপা অসি থাজবীগনু। লৈঙাক্লা পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা তোকপচীং অমদি সরিক কোঞ্জিনগী মীওইশিং অসি তাম্হোকপগী মহুৎতা পাৎ অসিদা টুরিষ্ট স্পোট অমা শাগৎতুনা লমদম অসিগী মীয়াম শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশোরনা, ষ্টেট অসিদগী পাৎ কয়া তপ্পা তপ্পা মাঙথরকপা অসি অফবা খুদম নত্তে। মরম অসিনা মাঙথরক্লিবা পাৎশিং অসি কন্নবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং পুন্না খুৎশম্নদুনা থবক তৌবা মতম ওইরে। লোয়ননা পাৎশিংদা শোংজিন্দুনা লৈরিবা নাপীশিং অসি বাইও মাসকী হার শেম্বা অমদি অতৈ হীরমশিংদা শীজিন্নদুনা ইনকম লাকফম ওইনবা খন্নবসু লৈরে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এম য়ু দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

পাঙল পোলিটিকেল ফোরমনা শীন্দুনা ৪৯শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) দেগী থৌরম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈৱাও মক্তিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সোসল এক্টিভিষ্ট এম আই খান, উরুপ্তগী অলহাজ সাহবুদ্দিন শঙ্গোমশুংবম, ওল রাউন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট এম দি জলাল্লুদ্দিন, কৈৱাও কেন্দ্র মাইনোরিটি মুস্লিম দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট অব্দুল কাহের অমসুং কে কে ঈ সী সীগী প্রসিদেন্ট অলহাজ অব্দুল জলিলনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

তেংনৌপল ব্লোক য়ু সী এম য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী তেংনৌপল ব্লোক য়ু সী এম য়ুনিট ঙসি হাংদোকখ্রে।

তেংনৌপল ব্লোক য়ু সী এম য়ুনিট হাংদোকপগী আইমোল খোদোমফাই কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীংশাংলাকপা কে ঐচ সুমস্বাংগির, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম অমদি আইমোল কলচরেল এসোসিএসনগী এস ঐচ রোংগৈসননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

নৌনা হাংদোকখ্রবা তেংনৌপল ব্লোক য়ু সী এম য়ুনিট অসিগী থৌ পুগদবশিং অদুদি সাইলোন অসান আইমোলনা চ্যেরমেন, রেংচোং খুপনা ভাইস চ্যেরমেন, থামসোন সাইলেস তরাওনা জেনরেল সেক্রেটরি, এস রংস্বারিলনা য়ুথ এফেয়র্স সেক্রেটরি, এস এল খোলিয়াম্থাংনা ট্রেজরর অমদি এস ঐচ রেংসিনগির অমসুং এস এলিয়ন সোংনা মেম্বরশিংনি।

থৌরম অসিদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা হায়খিবদা, চীংগী মফমশিংদা য়ু সী এমগী য়ুনিট হাংবগী মরমদি মান্নবা খুন্নাই, নুংশি-চান্নবা ইরমদম অমা শেল্লসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা হাংদোকচবনি। মখা তানসু চীংগী মফমশিংদা য়ু সী এমগী য়ুনিটশিং হাংদোকখিগনি। মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরমশিং মফম খরদদি বেনিফিসরিশিংদা হকথেংননা য়ৌদবা হায়বসি লাইবক থীবনি। ঙসিগী লৈঙাক্লা কুমজা ২০২০-২১গী ফাইনান্সিএল য়রদা চাদা ৪৫.৭৫ দিভেলপমেন্ট ফন্দদা থাদরবসু চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফম খরদা ইলেক্ট্রিক ফংদবা, মফম খরদা লম্বী-থোং লৈতবা, মফম খরদা মহৈ-লোয়শঙ, মহৈ তম্বদা মতেং ওইননবা পীরিবা স্কোলারশিপনচিংবগী খুদোংচাবা ঙসি ফাওবা ফংদবা কয়া য়াওরি। অদুগা অহল-লমনশিংদা পীরিবা পেন্সন স্কিম য়াওনা অতোপ্পা কয়াগী কান্নবশিংসু ফংদনা লৈরি। হায়রিবশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা তকশিন্নবা হোৎনরগনি। য়ু সী এমনা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদগী ফংলকপা রিপোর্ট কয়া খোমজিন্দুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা তকশিন্দুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লনবা হোৎনবা লোয়ননা চীংদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক খূদিংমক পাউ ফাওদোক্লদুনা অমনা অমবু মতেং পাংনদুনা ৱাথোক খূদিংমক ৱারোইশিন পুরক্নবা তাথোক-তাশিন তৌদুনা তোয়না উনবা, তোয়না চামিন্নবা লোয়ননা চারৌ-মৌরৌনবা হায়রিবশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকপদা নৌনা য়ু সী এম য়ুনিটনা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

‘ঈশৈ শৈফমশিংদা নিঙোল নাচোমগী মিংথোল শীজিন্নবীগনু’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

ঈশৈ শৈফমশিংদা ‘নিঙোল নাচোম’গী মিংথোল শীজিন্নবীগনু হায়না য়ং ভলন্টরি ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ং ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন, ৱাংখৈগী সেক্রেটরি নহাকপম টিকেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ং ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন্না চহী লিশাং শিৎনা চহী খূদিংগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিঙোল চাক্কৌবা নুমীৎতা নিঙোলশিংগীদমক অখন্নবা শীঙ্গবা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরমগা লোয়ননা লাইবক ফবী নিঙোল খনবগী থৌরম অমা ‘নিঙোল নাচোম’ হায়না মিংথোন্দুনা হৌখিবা কুমজা ২০০২দগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা লৈঙাক্কী অথিংবা লৈবনা মমাঙগী চহীদগী থৌরম অসি পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি। মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা অতোপ্পা মফম কয়াদা ‘নিঙোল নাচোম’গী মিংথোল অসি শীজিন্নদুনা ঈশৈ শৈফম কয়া তৌবগী পাউ ফংলে। ৱাই ভি ওনা ‘নিঙোল নাচোম’ হায়না মিংথোনবা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অসি অখন্নবা নুমীৎতা ইরমদম অসিগী নিঙোলশিংগীদমক শীঙ্গবা থৌরমনি। মরম অসিনা ঈশৈ নোংমাইবু শীনবীরিবা ইরৈচা খ্বাই খিবিক্লা নিঙোল নাচোম হায়বা মিংথোল অসি ঈশৈ শৈফমশিংদা শীজিন্নবীদনবা খঙহঞ্জরি। লোয়ননা মতম ঈশৈশৈগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক)না ৱাই ভি ওনা শীঙ্গবা নিঙোল নাচোমগী মিংথোল অসি অতোপ্পা শৈফমশিংদা শীজিন্নহনবীদনবা ৱাই ভি ওনা অম্মিককী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

জপানগী লৌশিংশিং ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

খাঙেম্বম লিলাচন্দ্র, নেসনল এৱার্দী, সোসল ৱার্কর, কুম্বী কাংজৈবুং মপালদা লৈবনা ইবা ‘জপানগী লৌশিংশিং’ কৌবা লাইরিক অমা ঙসি কুম্বী লাই অচৌবা মান্দপ, কুম্বী ময়াই লৈকায়দা ফোঙখ্রে।

দি নেটৱার্ক ওফ ইকনমি এন্দ ৱেলফেয়র সর্ভিস (ন্যুজ) কুম্বী অমদি পোইরৈ কুমহৌ খোর্জৈ লূপ (পি কে কে এল) কুম্বীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতনা চীফ গেষ্ট; কুম্বী এ সীগী এক্স-এম এল এ, এস বিরানা প্রসিদেন্ট অমদি পি কে কে এলগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু য়াইমা, জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি, ন্যু দেল্লীগী প্রোফেসর ডা. কে ঐচ রোমেশ অমসুং এস প্রেমচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লাইরিক অসিগী মরমদা কুম্বী কোলেজগী ভাইস প্রিন্সিপাল কে ঐচ গ্যানেবুশননা মরিক চুম্না পাউদমখিবগা লোয়ননা অইবগী ৱারোল পীরদুনা নেসনল এৱার্দী কে ঐচ লিলাচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, তশেংনা ঐখোয় মৈতৈ পাওরৌদা হায়নবা মতৌ তম্বা হায়বসি চাউখৎপগী খোঙথাংনি হায়নৈ। ঐহাক্লা জপানদা ইহান হান্না য়ৌবা মতমদা আইলেন্দ ময়ামশিং শম্নরিবা মোটোরবোটকী অৱাৎপা লৈতবশিং উরুবা, খ্বাইদগী ঙকপা জপান্দদি গিনিস রেকোর্দ কয়া লৈবা, টেক্নোলোজিগী চাউখৎপা, স্কুল চঙবদা খোঙউপ লৌথোকপা অদুগা লাইশংদনা লৌথোক্তবা, কলচর নীংথিনা ঙাকপা, লাইরিক-লাইশু নীংথিনা তম্বা অসিনচিংবা চাউখৎপগী ৱারীসি ঐখোয়গী লমদম অসিদা লাইরিক অসিগী মতেংনা য়ৌহন্দুনা অওনবা লমদম অমা পুরকপা ঙমগদ্রা হায়দুনা লাইরিক অসি ফোঙজখিবনি হায়খি।

দি এম সী টি ঈগী মপুং ফাবা ইনক্কারি রিপোর্ট পুথোক্ত্রিঙৈদা ক্লাস হৌবগী প্রোসেস তৌবা য়ারোই : এমসু

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন (দি এম সী টি ঈ)গী মপুং ফাবা ইনক্কারি রিপোর্ট পুথোক্ত্রিঙৈদা ক্লাস হৌবগী প্রোসেস তৌবা য়ারোই হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী জোইন্ট সেক্রেটরি সগোলশেম ইঙোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর ষ্টেটকী অমত্তা ঙাইরবা লৈঙাক্কী মহৈশঙ অমা ওইরিবা ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন (দি এম সী টি ঈ) মতম শাংনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিং ওফলাইন ক্লাস তৌবা য়াদনা লাকখি। কোভিদ পেন্দমিক অসিগী ফীভম খরা ফরককপদগী লৈঙাক্লা হৌখিবা নবেম্বর ১০দা নৌনা স্কুল, কোলেজ হাংবগী অয়াবা পীখিবা লৈখ্রবা মতুংদা কোলেজ অসিগী লুক অফ্টর ওইনা পুরিবা ওজা এ কে সুরোধোনিনা চৎলিবা সেসন ২০২১-২৩ অসিগী নবেম্বর ১৯দা ইনাগ্যুরেল কম ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্লবা নবেম্বর ১৫দা নোটিশ অমা থোকখি। মতাং অসিদা কোলেজ অসিগী মমাঙদা প্রিন্সিপালগী থৌ পুরম্বা আর কে লোকেন্দ্রোবু চৎলিবা একাদেমীক সেসন অসিগী মহৈরোয়শিং লৌবগী এদমিসন প্রোসেসতা পব্লিক কমপ্লেন্ট লৈ হায়দুনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৩দা হায়র এদ্যুকেসনগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না এদমিসন প্রোসেস অথিংবা থম্বগা লোয়ননা প্রিন্সিপাল মফম লৌথোকপা অমদি হীরম অসিদা ইনক্কারি তৌদুনা থিজিনবা লোয়ননা কোলেজ অসি মখা তানা এসোসিয়েট প্রোফেসর এ কে সুরোধোনিনা লুক অফ্টর তৌরগনি হায়না পল্লি। মখা তারকপদা এদ্যুকেসন (য়ু)গী দিরেক্টরনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪দা থোকখিবা ওর্দরদা কোলেজ অসিগী লৈরিবা প্রোব্লেম অসিগী মতাংদা মেম্বর অহুম্না শাবা ইনক্কারি কম্মিটি অমা শেম্লগা সেপ্টেম্বর ২৫দগী ইনক্কারি হৌরগা সেপ্টেম্বর ২৯দা রিপোর্ট সবমিট তৌননবা ৱাফমসু পল্লি।

হীরম অসিদা হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী মহৈরোয় লূপ অসিনা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি। মহৈরোয় লূপ অসিনা কোলেজ অসিগী ওইরিবা ফীভম অসি হকথেংননা য়েংশিল্লুবদা এদমিসন প্রোসেসতা পব্লিক কমপ্লেন্ট লৈ হায়বদগী প্রিন্সিপাল মফম লৌথোকখিবনা এদমিসন প্রোসেস লোইশিন্দনা লৈরম্বা থেংনরকখি। কোলেজ অসিগী টিচর ট্রেনিং প্রি সর্ভিসকী সিট ১০০ লৈবদা ৯১ খক এদমিসন তৌরম্বা থেংনরকখি। ইন-সর্ভিসকী সিট ৫০ লৈবদা সিট অমত্তা তৌরমদনা লৈরম্বসু থেংনরকখি। হায়রিবা ইস্যু অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না ইনক্কারি রিপোর্ট করম্বা ফীভমদা লৈরবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনফম থোকই। অসিগুম্বা ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা লৈঙাক অসিগী কোলেজ অসিগী এদমিসন প্রোসেসতা অশোয়বা লৈ হায়দুনা চথরিবা ইনক্কারিগী মপুং ফাবা ৱারোইশিন লাক্ত্রিঙৈদা করম্না অনৌবা সেসনগী ক্লাস হৌননবা শেম-শারিবনো হায়বা অসিনি।

এদমিসন প্রোসেসতা অশোয়বা লৈ হায়দুনা এদমিসন থিংজিন্দুনা ইনক্কারি তৌরিবা অসি মপুং ফানা লোইদ্রিঙৈদা ক্লাস হৌজিনখিবা তারবদি ইনক্কারি রিপোর্টতা অরানবা য়াওরম্লবদি মহৈ তম্বা হৌজিল্লুরবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লাক্কদ্রা হায়না মহৈরোয়শিংদা অকিবা চিংনবা ফাওই। অমরোমদা এদমিসন মপুং ফানা লোইশিনখিদনা অথিংবা থম্লকখিবনা মরম ওইরগা নৌনা ক্লাস হৌননবা প্রোসেস কোলেজ ওথোরিটিনা লৌখৎলক্লিবা অসিদা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী অমত্তা ঙাইরবা কোলেজ অসিদা মহৈ তম্ননবা মতম শাংনা ঙাইজদুনা লাক্লবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক কদোমদনো তম্বা ঙমদবগী ফীভম অমদা লাক্লি। চথরিবা ইনক্কারি অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবদা লোইশিনবীদুনা মহৈরোয়শিংগী চিংনবা, চমম্নবা অসি কোকহনবীদুনা অথুবা নোর্মেল ক্লাস হৌবা য়াননবা থবক লৌখৎপীননবা মরী লৈনবশিংদা মহৈরোয় লূপ অসিনা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘লৌমী-শিন্মী শীংনবা থৌশিলগী মায়োক্তা নবেম্বর ২৬কী নেসনৱাইদ প্রোটেষ্টে শৌগৎলি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

লৌমী-শিন্মী শীংনবা থৌশিল কয়া হৌদোরকপগী মায়োক্তা নবেম্বর ২৬কী নেসনৱাইদ প্রোটেষ্টে শৌগৎলি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এ আই টি য়ু সী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এ শরতচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী লন্নাই কোর্পোরেট মপু খরদা অহেনবা খুদোংচাবশিং ফংহন্ননবা মীচম মীয়াম অমসুং লৌমী-শিন্মী শিংনবা অনৌবা থৌশিল কয়া হৌদোরকপগী মায়োক্তা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসন অমসুং সময়ুক্তা কিষান মোর্চানা চঙশিল্লকখিবা ঈহৌ খোঙজংশিং চহী অমা ফারকপগা মরী লৈননা লাক্লিবা নবেম্বর ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনৱাইদ প্রোটেষ্টে অসিদা এ আই টি য়ু সী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা মপুং ফানা শৌগৎকনি। লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন চাউখৎহনবদা চাউরবা থৌদাং মায়পুন্নরিবা শিন্মীশিংবু অৱৈবা মীনাইগুম্না শীজিন্ননবা মমাঙ চহীদা পাস তৌখ্রবা অনৌবা লেবর কোদ হন্দোকহন্ননবা অমদি লৌমীশিংনা ৱানা শেল চঙনা পুথোকচবা পোথোকশিংগী অচঙবা মমল ফংহল্লোইদবা অনৌবা ফার্ম লো অহুম হন্দোকহন্ননবা দিমান্দশিং চহী অমরোম তাশিন্নদনা লাক্লগা খঙহৌদনা ৱাথোক ওইরবা ফার্ম লো অহুম হন্দোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখিবদু মীখলগী খুদোংচাবা লৌননবা লৌমীশিংবু পংথহন্ননবা লাং থাকপনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মরুম থুপ্লগা নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন চাউখৎহল্লিবা পব্লিক সেক্তরশিং, লন্নাই কোর্পোরেট মপুশিংদা শীন্নবা অনৌবা প্রাইভেটোইজেসন পোলিসী মখা তানা চৎনহল্লকপদগী থবক ফংদবা মীগী মশীং হান্নদগী খঙহেন হেনগৎলক্লে। পেট্রোল, দিজল অমসুং এল পি জিগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎখিবদগী তঙাইফদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্তুনা নোংমগী শুর-নোল্লগা হিংননবা হোৎনরিবা ইমুং কয়া হায়ফম খঙদবা অৱাবা মায়োক্লহল্লি। থৌশিল অসিনা মিদল ক্লাসতা লৈবা ইমুং কয়া য়াওনা ইনাক খুনবা ইমুং কয়াগী শেল মফম খঙদনা অরেম্বদা মাঙহল্লি। অসিগুম্বা লৌমী-শিন্মী অমসুং মীচম মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং খরদা ওইরবসু কোকহন্ননবা ইনকম টেক্স থিদবা মীওইশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা য়ামদ্রবদা থাগী লুপা ৭৫০০ হাপ্পনবা, অনা-লায়েং, এদ্যুকেসন অমসুং মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিংদা অহেনবা শেনফম কায়থোক্লনবা লোয়ননা অশা ৱার্কর, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংদা থাগী পীবা ওনরেরিয়ম হেনগৎহন্ননবা লৈঙাক্লা অথুবা খোঙথাং পায়খৎহন্ননবা অমদি সিটিগী মফমশিংদা লৈরিবা থবক ফংদ্রবা নহারোলশিংদা থবক পীননবা এম জি এন আর ঈ জি এসকা মান্নবা স্কিম কয়া পায়খৎননবা দিমান্দশিং নেসনৱাইদ প্রোটেষ্টে অসিদা পুখৎকনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।